ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ২৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৪১শুবা মশীং

## ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ

### গভর্ণমেন্টনা চপ-চানা য়াদে খঙহল্লু

মণিপুর চীংনা মায়কৈ মরিমক কোইশিনবা ষ্টেটনি। ষ্টেটসিগী ঈশিং লম্বী লৈজদে। জিরিবাম ফাওবা ত্রেন য়ৌশিল্লকপা অমসুং এসিয়ন হায়ৱেগী মঙ মঙবা হৌগৎলক্লবসু হৌজিক ফাওবগীদি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না শীজিন্নরিবা পোৎলম পূম্নমক ইম্ফাল-জিরিবাম অমসুং ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। নোংথক লম্বীদা পুশিল্লকপদি পোৎলম খরদনি। তঙাইফদ্রগবুদি পোৎ খুদিংমক নোর্মেল ফ্লাইটশিংদগী হেন্দোরক্তুনা অখন্নবা কার্গো ফ্লাইটশিংনা পুশিল্লকপা য়াই। অদুবু মথৌ তাবা পোৎলম খুদিংমক নোংথক লম্বীদা লোইনা পুশিল্লক্লগদি পোৎলমশিংদুগী মমলসু অতিয়া পক্না ৱাংনি। মীয়াম্না লৈদুনা শীজিন্নবদা হকথেংননা শেল চাবগা পাঙ্খক ওইনি। মরম অসিনা নেসনল হায়ৱে ২ অমসুং ৩৭কী ফীভম ফগৎলক্লবা ঙসি ফাওবদা শেলয়াম থাদদুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং চত্থরক্লিবনি। তশেংনমক হায়ৱে অনীসি মণিপুরগীদি লাইফ-লাইননি। অদুবু নেসনল হায়ৱে অনীসিনা লৌরিবা থৌদাং অমসুং পীরিবা কান্নবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা পোৎলম-চৈরম কয়া পুথোক-পুশিন তৌবগী থবক্তা অপনবা, অয়েৎপা পীবা, থিংজিন্দুনা থম্বগী থবক্তি হেক-হেক চত্থদুনা লাকই। ঙসি ঙরাংখক্তগী ৱাফম নত্তে। মমাঙগী লৈঙাকশিংগী মতমদসু থোকখি। হৌজিক মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা লৈঙাকসিনা বন্দ-ব্লোকেদ তৌহন্দবা ঙম্বা লৈঙাকনি হায়দুনা মখৌ পোংনা লাউরম্লবসু হৌজিক্তি লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বদুগী ফীভমদা তারকপগুম তৌরি। মসিদি ফত্তে, চুমদে। প্রেসরদা কৈদৌনুংদা চৎলোই হায়দুনা লাক্লিবা লৈঙাক্না মখূৎ-তুংবুন্নদুনা অয়ম্বদৌনা লৈথোক্কনু।

ৱাফমসি অন্সমনা, অটসুমনা অমসুং কে এস ও - জি ঐচ ক্যুনা হায়ৱে অনীসিদা ইন্দিফিনিট ইকোনোমিক ব্লোকেদ চত্থরক্লে হায়বগী হায়বা নত্তে। হায়ৱে অনীসিবু শোক্লক্লবদি, অথিংবা-অপনববু পীরক্লবদি ফুরুপ-কাঙলূপ অমগী লূপ অমনা ওইগেরা, লূপ চরোং অমনবু ওইগেরা অদুম্মক হায়নি। লাই লাক্তুনা বন্দ-ব্লোকেদ চত্থরক্লবসু অদুম্মক হায়নি। হায়ফম থোকই। মরমদি হায়ৱে অনীসি মণিপুরগীদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মহুৎ শিনবীনবা লৈত্রিবা লাইফ-লাইননি। হায়ৱেশিং অসিদা অপনবা-অয়েৎপা পীরকপদা মসিগী চৈথেং ফংগদৌরিবসি মণিপুরগী ফুরুপ-কাঙলূপকী খেন্নবা থিদনা মীয়াম পূম্নমকনি। অফবা থবক অমগী ওইরবসু মীয়াম হুপ্না অৱা চৈথেং পীগদবা খোঙজং অমসুং থবক্তা মীয়াম্না য়াফম থোক্তে। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক ষ্টেটসি চহী অমা হেন্না কোভিদ পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী ফীভম খরা খরা ফগৎলকপদা ঙাইরিবনি। পোজিটিভিটিগী চাং হন্থরক্তুনা মিৎ-মায় পাংলকপদা ঙাইরিবনি। তাঞ্জাসিদা ইকোনোমিক ব্লোকেদনা ওকপগী ফীভম মায়োক্নহল্লকপা চুমদে। অদুগা লূপ অমনা নৎত্রগা লন্নাই মীওই অমনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বশিং তানবা হায়বসিদি লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসননা পীবা মীয়ামগী হকনি। দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অনীংবা-অপাম্বশিং ফোঙদোকপা য়াই, তানবা য়াই। তাবীবা-তাবীদবা অমসুং পীবা-পীদবা হায়বদুনা মরী লৈনরিবা লৈঙাক্কী ৱানি। অদুবু মীয়াম্না অমসুং মীয়ামগী মখল কয়াগী লূপশিংনা মখোয়দা কন্সটিট্যুসনগী প্রোভিজন খরনা অয়াবা পীরে হায়দুনা মদুগী খুদোংচাবা লৌশিল্লক্তুনা শোকহৈদবা, শোকফম থোক্তবা, তৌহৈদবা, তৌরোইদবা, তৌফমসু থোক্তবা থবকশিং তৌরকপদি য়ারোই। অন্সম, অটসুম অমসুং কে এস ও - জি ঐচ ক্যুনা তানফম থোকপা দিমান্দশিং তাল্লু। লূপ অহুমসিদা নত্তনা মণিপুর পূম্বগী লূপ কোকথোং অমনা পুনশিন্নরগা তানগে হায়রবসু তাল্লু। লূপশিংদুগী অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকচরকপনি। করিসু কায়দে। অদুবু শোকপা য়াদবা অমসুং পুকচাক লম্বী ওইরিবা নেসনল হায়ৱেবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্কনু হায়বনি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌরবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস বিল, ২০২১ এসেমব্লিদা পুথোক্তুনা খন্নৌ হায়বনি। হায়ফম থোকপগী হায়বনি। হায়রকপগী মরমশিংসু লৈরমগনি। হায়জৌ কৈসু কায়দে। অদুবু লৈবাক মীয়াম পূন্না ৱাহনগদবা থবক্তি তৌরক্কনু হায়বনি। লৈবাকসিগী লো লৈ, চৎনরি। তৌনীং-তৌনীংবা হেক্তা খূৎ তিংথোক্তুনা তৌবা য়াদে হায়বসি খঙউ। লৈঙাকসু পূক্নিং-ৱাখল শোন্থগনু। নুপা থোকউ, হায়দোকখিবা ঙাকউ। মীয়ামগী লৈঙাক লৈরি হায়বসি চপ চানা খঙহল্লু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১) *“হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।”* পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **“চফূন কায়রবদি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি যমুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।”** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) ***“ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) ***“মোহনদাস”*** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৰা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোরোনা নিল চৎহন্নবা হোৎনসি ঙন্নরোইদ্রা?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতম ফনা শাংলক্লে ইরমদমসিদা কোরোনা লায়নানা নাবগী চাং নিল চৎহন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা খক ঙন্নলকত্রিবসি। ইরমদমসিদা লায়নাসি নুমিৎ খুদিংগী ওইনা মীওই ৫০ মুক করিমুক অদুম চাং অমদা লেপ্তুনা নৌনা নাহনবগী থৌদৌশিং উনরি। থৌদৌশিংসি কমদৌরিবনো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরক্কদৌরি। অদুবু, হান্নদগীসু হায়নবদি লৈ, “কোরোনা হায়বসি কৈসু পাক্না মূৎলরোইদৌবা লায়নানি, লাইচৎসিগা শম্নদনবা চেকশিন্না এস ও পি ঙাক্না চৎনরগা, থবক-ইনখাংশিং পূম্নমক চৎথোক্লবা তাবনি’ হায়না। ৱাফমসিমক তশেংনা চুম্নদৌবা অমরা? অদুগা, হংনীংলিবনা, ‘মণিপুরদা লায়নাসিনা নোংমদা মীওই লিশীং ২/৩ ফাওবা নাহল্লম্বদগী মথং-মথং হন্থরক্তুনা হৌজিক-হৌজিক চাম্মগী মখাদা লৈরক্লে, তৌইগুম্বসুং চাংচৎ অমদা নোংমগী ওইনা মশীং ৫০ খরা হেনবগুম্বদি লেঙদনা অদুম্মক লৈবগুম থেংনরিবসি করিগীনো, থৌদৌসি চানরিব্রা” হায়বা ৱাহংসিনি। ফীভমসিমক মতম ফনা শাংনসু চত্থরক্লবনি। মরক-মরক্তা অমুক-অমুকসু ৭০/৮০গী চাংদা খঙহাই হাইগৎলকপা নুমিৎশিংসু য়াওরক্তবা নত্তে। অসুম্না মণিপুরদা কোরোনা হন্থরকপগী চাংসি নোংমদা মীওই লিশীং ২/৩ নারম্বদগী ১০০গী মখাদা হন্থরকপদা থোইনা মতম চঙখিদবা মালহল্লগা, হন্দক-মরক্না শুপ্নগী ৫০গী চাংদা মতম অসুক শাংনা লেপ্তুনা লৈবগী মওংসিদি ৱাখল তারক্তে। খঞ্জিল্লুবদা ঙকপা পোকই। নোংমদা লিশীং ২/৩ নারম্বদগী হন্থরক্লগবু শুপ্নগী মশীং ৫০ মুক্তদা অসুক কুইনা খাঙলিবসি করিগীনো?

তশেং-তশেংনা, ইরমদমসিদা থোক্লিবা কোরোনা লায়নাসি লোইশিল্লু য়াদবগী থৌওংসি ৱাখল অমরোমদদি অসুক্কী মতিক মীপাইনীংঙাই ওই। হৌজিক তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা মণিপুরদা জেনরেল ইলেক্সন লাক্লনি। লমদমসিদা হৌজিক্তগী হৌনা ইলেক্সনসিগীদমক ভোট খোম্বা চৎনবা অমদি মীটিংনচিংবশিং পাঙথোক্লবসু খুরক হাংদনা হৌনখ্রে। ইলেক্সনগী থৌদৌশিং কন্না চত্থনরিবা লমদম অমদা, কোরোনাগী লাইচৎ হিংদুনা লৈবা হায়বসি থোকহৈদবা থৌদৌ অমনি। ইলেক্সন হায়বসিদবু কদাইদগী এস ও পিনো ঙাক্নরগা চৎকদৌরিসি? ইলেক্সন লোইরবা মতুংদা কোন্না কোরোনা লায়েংগনি হায়বসিমসু খনহৈদবা ৱাখলনি। হন্দক্কী ইলেক্সন ময়াসিদা ইরমদমসিদা কোরোনা মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখ্রবদি ফরে, নত্তদুনা লমদমসিদা কোরোনা অদুম হিংদুনা লৈহৌরবদি ইরমদমসিগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা মতম অমা হায়বদু লাকপা হৌরক্লবনি খনবা য়াই। হন্দক্কী ইলেক্সন ময়া ফাওবদা তশেং তশেংনা হৌজিক ওইরিবা কোরোনাগী ফীভমসিনা লোইশিনবা হৈতনা মখা শাংথনা অদুম্মক লৈবা থোক্লবদি ইলেক্সন মতুংদদি ইরমদমসিগী কোরোনাগী ফীভমসি ৱেভ-ৱারাংগী ৱা নত্তনা শোয়দনমক্কী শাথীবা ফীভম অমা হায়বদুদি ওইরকপা য়াই। কোরোনাগী মতমসিদা ইলেক্সনগী মতাংসু ওইশিল্লকপনিনা লমদমসিগী মীচম-মীয়ামশিং তশেংনা কোরোনা লায়নাগী মরমদা কিবনা মখোঙ থাংবা ফাওবা থোক্লদবা কাঙবুশিং য়াওরিবনি। অদুবু, ফীভমসি ফনা ওইদুনসু ইলেক্সনগী থৌদৌনিবু হায়রবদি মশাদা কোরোনা লায়নাগী অকিবা মচেৎ অমা ফাওবা ফাওদবা, লায়নাসিগী ৱাখল্লোন মপূক্লিংদা মশুং অমা ফাওবা চেন্দবা মীওই কোঙ্গায়-কোঙ্গায়সু লমদমসিদা য়াওরকপা য়াই। কোরোনা লায়নাগী থৌদৌসি তশেংনা মৈনি। মৈনা মনাক নকপা মফমশিংদা মানা চাকপা য়াবা পোৎশকশিং মতিক চানা লৈরিবমখৈ লাউনা খোংনা অমসুং মৈরি ৱাংনা চাকখৎপগুম, কোরোনাগী মহীক্লসু মানা চঙবা য়াবা মীওইশিং মনাক নক্না লৈরি মখৈ অমসুং শোক্ল-শম্না তৌরিমখৈ অসুক্কী মতিক লায়নাসি মশীং থিঙমদনা অমসুং পাক-শন্না শন্দোকই। তৌইগুম্বসুং মৈনা, মানা চাকপা য়াবা পোৎশকশিং অমা ফাওবা মাগী মনাক নক্না লৈত্রবা অমসুং কনামতনা শোক্ল-শম্নবা তৌরদ্রবা, মশা মথন্তা পীকথজদুনা তূমিন্না লৈখিবা অমসুং মূৎচখিবগুম কোরোনা লায়নাসু কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মাগা নক্লরদ্রবা অমসুং শোক্ল-শম্না তৌরদ্রবদি লায়নাসি মশা মথন্তা পীকথজখিগনি অমসুং মূৎচখিগনি। ৱাফমসি হঞ্জিন-হঞ্জিন পন্নরবা ৱাফমনি। লুরিবদি, ঐখোয় ইলেক্সনগী মতমসিদদি কনামতসু কোরোনা লায়নাগীদমক এস ও পি ঙাক্না চৎকনি হায়বসি থাজবা ঙমদে। ঙাকপসু ঙন্লোই। থৌদৌসি লৈবনা ইরমদমসিগী হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা কোরোনাগী ফীভমসি তঙাইফদনা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হোংহন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি অচৌবসু মচাসু ঐখোয় পূম্নমক পূন্না কোরোনাগী শাথীরবা ঈপাকসিদা অমুক হন্না লূপমিন্নগনি। ৱাফমসি ভোট লেপ্পিবা লৈঙাক মপু ওইগদবশিংনা খনফম থোকপ্রা নৎত্রগা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক ভোট থাদরনি হায়দুনা ফেঙদুনা লৈরিবা হন্দক্কী ইলেক্সন ময়াসিদা চহী মঙাগী শেন্দোং তানহৌরগে নীংলিবা ভোটরশিংনা খলহৌফম থোকপ্রা হায়বসি মুন্না অমুক্তং খন্নহৌসি।

মমাঙ চহীগী মমাঙদগী হৌনা কোরোনা লায়নানা নৈরক্তুনা ইরমদমসিগী মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়ামরুম অৱা-অনাগী চৈথেংশিং ফংহনখ্রে অমসুং কয়ামরুম অমবুনা অশিবা লাইগী মখয়াৎতা লংশিনবীখ্রে। শম্না হায়রবদা, কোরোনা লাইচৎনা লমদমসিগী মীয়াম পূম্ববু অসুক্কী মতিক অৱা-অনাশিং নংহনখ্রে অমসুং অশি-অনাশিং য়াওহনখ্রে হায়বনি। ৱাফমসি অচৌবসু, মচাসু লমদমসিগী মীয়াম পূম্বনা লোইনা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুম ওইনমক, কোরোনা লাইচৎকী শাথীবা মতৌসি লোইনা খঙনরবসু ইলেক্সন লেপ্পিবা মতমসিগী লৈঙাক্কী লুচিংবশিং ওইরক্কদৌরিবা মখোয় খুদিংমক্লদি ইলেক্সনগীদমক য়েংলগা লমদমসিদা কোরোনাগী অকিবা ৱাফমশিংসি খক পন্নদে। কোরোনাগী অকিবশিংনা মরম ওইরগা লুচিংবা ওইরক্কদৌরিবশিংনা শেঞ্জাও কয়া চঙনা হোৎনরিবা মখোয় মখোয়গী চহী মঙাগী মরাইবক লেপ্পগী ইলেক্সনদা অকায় অতোয়শিং থোক্লক্কদ্রা হায়বসি চিংনৈ। ফীভম লৈবনা মখোয়না কৈদৌঙৈদসু খক কোরোনাগী মরমদা ৱারী মতেক অমা ফাওবা পুথোক্তুনা মীয়ামদা শানীংদে। অদুবু অশেংবমক্কীদি মণিপুরদা কোরোনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনফম থোকপা কাঙবুশিংসি কনা কনানা ওইফম থোকপগে হায়বা ৱাহংসি হংনরকপদদি, ‘লমদমসিগী লৈঙাক পুগদৌরিবা লুচিংবশিংসিনা অয়াম্বনি” হায়বা ৱাফমসি অয়াম্বনা য়াম্না তোয়না পন্নরকপা তাগনি। হৌজিক-হৌজিকসি মণিপুরদা কোরোনাগী ফীভম নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবনি। ফীভমসিদা, ইলেক্সনগীদমক রেল্লি চৎপা, পব্লিক মিটিং তৌবা অমদি অতৈ মীয়াম তিনবা থৌদৌশিং পাঙথোকপা মতমদদি অয়াম্বনা কোরোনাগী এস ও পিশিং মপূং ফানা ঙাক্না চৎপা হায়বসি ওইথোক্তে খঙনরবসু পাউ ওইনা পীথোক্লকপদদি মপূং ফানা ঙাক্না চৎখি হায়বা ৱাহৈসি অয়াম্বনা অদুম্মক শীজিন্নরক্কনি। ফীভমশিংসি লৈবনা ইলেক্সন লোইশিল্লকপা মতুংদদি থৌদৌশিংসিগী মহয় ওইনা তঙাইফদনা ইরমদমসিদা কোরোনা লায়না পাক শন্না শন্দোক্লকপা হায়বসি মশানা অদুম্মক তারকই। ফীভমসিমক ফনা ওইদুনসু লমদমসিদা কনামত্তনা ‘কোরোনা লায়নাদগী ভোটনা হেন্না লুবা নত্তে” হায়বা ৱাহৈসিদি ফোঙদোক্লরকপা খক থেংনদে। ৱাখল্লোনসিমক লৈবসিননি অয়াম্বনসু মণিপুরদা ইলেক্সন মতুংদা কোরোনাগী ফীভম্না করি ওইরকপা য়াবগে হায়বা হীরমসিদা অচৌবা অকিবা অমা হেক হেক ফাওনরিবসি।

ইরমদমসিগী ইলেক্সন অমদি কোরোনা লায়নাগী ৱাফমসি তঙাইফদনা ফরক তান্নহন্দনবা শীনসি হায়রগদি শুপ্নগী ইলেক্সন মমাঙদা মণিপুরগী কোরোনাগী ফীভমসি নিল তাহন্নবা হোৎনবা হায়বসি খক নত্তনা অতৈ থোইনা উদে। মসিসু য়ারিবমখৈ অথুবা মতমগী মনুংদা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নগদবনি। নত্তদুনা ইলেক্সনগীদমক মীয়ামগী কেম্পেন অমদি পব্লিক মীটিংনচিংবশিংনা মশীং য়ামখৎখিবনা হানখ্রবদি ইলেক্সন মতুংদা কোরোনাগী ফীভম হেন্না পাকথোক-চাউথোকহল্লক্লোই হায়বা ৱাফমসি চুম্নরক্তবসু য়াই। অদুবু ঙম্বা ঙমদবনা লাইবক্কী ৱা হায়দু ওইখ্রগা, ইরমদমসিগী হৌজিক ওইরিবা কোরোনাগী ফীভমসিদি লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী অপূনবা পাঙ্গলনা পূন্না অমুক্তং হোৎনমিন্নদুনা য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা লমদমসিদা লৈরিবা কোরোনা লায়নানা পোজিটিভ ওইবগী চাংসি জিরোদা অমুক্তং হন্থহন্নীংই। থৌদৌসি নত্তনা ষ্টেটসিদা কোরোনাগীদমক য়েংলগা ইলেক্সনগী মতমদা ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইবা য়াগদবা ইলেক্সনগী থৌদৌশিং অতৈ থোইনা লৈগদবা মান্দে। ●

# মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদবা ইরমদম অমা ওইহল্লসি

**– ওলে ৱাংখৈময়ূম –**

ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবশিংবু গভর্ণমেন্টগী শেন্থং ফংদুনা লায়েংশঙ ওইনা হাংলিবা রিহেবিলিটেসনশিংদা সিট কোন্নদদুনা লায়েংবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরবা অমদি লৈকোয়গী ক্লব, ইমুং মনুং, শাগৈ-নাতৈশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরিবশিংবু মফম চাবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থম্বীয়ু।

লৈবাক মীয়াম অমদি গভর্ণমেন্ট লোয়ননা মরী লৈনবা কয়াগা পূন্না খন্নফম থোকপা ৱাহং খরা/ৱাফম খরা মীয়ামদা থমজরি। মণিপুরদসু করিগী ময়ূম মকৈদা হঞ্জিন্দনা লম্বী সরক্তা য়ারেক্লগা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদুনা ফোংনা থোরক্লিবনো/লৈরক্লিবনো? লম্বী সরক্তা ফোংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা (দ্রগ কাপ্পা/য়ু ঙাওবা) শিং অসি কনানা য়েংশিনবীফম থোকপগে? ময়াই কাবা চিঞ্জাক (য়ু, গঞ্জা, হিরোইন নম্বর ৪, ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎচাক) শিং অসি কনানা য়োল্লিবনো/পীজরিবনো? ইম্ফাল ময়োলগী লম্বীশিংদা লম্বী সরক্তা ফোংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা (দ্রগ কাপ্পা, য়ু ঙাওবা) অসিদা অয়াবা পীদুনা শৌগৎপীবা অমদি য়োকখৎপীবা য়াওরব্রা? অথুবা মতমদা মরী লৈনবা লূপ, গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্কী মপি মপাশিংনা অকনবা মীৎয়েং থম্বীদুনা থিগৎপীয়ু হায়জরি।

লম্বী সরক্তা ফোংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরিবা (ষ্ট্রীট বেজদ দ্রগ য়ুজরস) অসিবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা তোক্লবা পোলিসি অমগী মখাদা তুং কোয়না চৎনবা য়াবা ওইথোক্কদবা লম্বী শেন্বীবা শোর্ট ষ্টে হোম নৎত্রগা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থম্বীবা, হৌরক্লিবা চহী নৌরিবা নহাশিং মরু ওইনা চহী ১৪-২১ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদনবা শিনবীবা, মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক (য়ু, গঞ্জা, কানি, হিরোইন নম্বর ৪, ময়াই কাবা চিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎচাক) অসিনা খুদুম চনশিনখিদনবা ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমত্তগী চৈনা চৈথেং লৈতবা ইরৈবাক ইরমদম অমা ওইনবা শেমগৎমিন্নরসি। লেট অজ মেক হেলদি সোসাইটি ।

লোয়ননা ইরমদম অসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা ইচে, ইচন, নুপী ওইবী কয়াবু শরাক তম্লক্লে হোৎনরকপদা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীগদবা মবুং মৌপ্বা কয়া অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিংদা লাইচুখিদুনা হৌগৎ কাংখৎপা ঙমদ্রবা, পাঙ্গল লিংজেল মাঙখ্রবা অমগুম লৈহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা হকথেংননা অমদি নাকোয়ননা শৌগৎপীরগনু, মখল অমত্তগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা অমদি য়োনববু শৌগৎপীবা তৌবীরনু, ইরৈবাক ইরমদম অসিবু কনসি হায়রবদি ইচা-মীচা, শাগৈ-নাতৈ, খঙনবা-খঙনদবা থিদনা ইরৈচা খুদিং মতিং লৈবা ইচং থৌবা খুন্নাইরোল অমমম ওইমিন্নরসি।

নোংমৈনা পান্দুনা শিবা মীগী মশীংদগী দ্রগনা হাৎপনা মশীং হেনগৎলক্লে। ঙসি ঙসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না পীরিবা চৈথেংশিং অসিদগী হেন্না শাথীবা ঐখোয়গী পুৱারীদা লৈত্রি...

মণিপুর খুন্নাই অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। নহা ওইরিবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া দ্রগ শীজিন্নবদগী লাইচুরক্তুনা ওভরদোজতা শিখিবা অমদি খাঙবা ঙন্নলক্তদুনা সুইসাইদ তৌখিবা অমদি মীনা ফূবদগী শিখিবা, মীগী মপোৎ হুরাল্লুবদগী মশীং থিঙমদনা শিখিবা লৈখ্রে। দ্রগ শীজিন্নদুনা শিবা মীগী মশীংনা নোংমৈনা পান্দুনা শিবা মীগী মশীংদগী হেল্লে হায়নরিবনি। দ্রগতা লাইচুরবা মীওই কয়া লৈরকপা অসিনা থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অমসু থোক্লি। দ্রগতা লাইচুরবা মীওই অমনা দ্রগ থাদোকপা ঙমদদুনা অফ-ফত্ত ৱাখল কয়া অমসু খনবা ঙন্নবসু দ্রগ চাদবদি য়াদবনিনা ফত্তবা থবক কয়া অমসু তৌরি। মখোয়গীদি দ্রগ চানবা অমদি দ্রগতুবু ফংনবগী ৱাখলদমক খল্লগা লৈরি। লৈত-লৈত্রগা হুরান চিন্থিগী থবকলোমদা চঙশিল্লকই।

অদুবু দ্রগ চারিবা ইচিন ইনাওশিংসু মীওইবনি, কনা অমনদি মখোয়বু দ্রগ চাই হায়দুনা ফূবা চৈবা, খোঙ্গোইনবীবা, খুন্নাইনা ইন্থোকপীবা, য়ূমদগী তান্থোকপীবা, ময়ূম মৈ থাবীবা, হুরান চিন্থি তৌই হায়দুনা হেক হেক মখোয়বু মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা তাথী তাওইনা তৌবী, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা তোক্লবগী লম্বী তাকপীবগী মহুত্তা মখোয়বু নোক্লবীরি, মখোয়সু অনাবা মী অমনি, অনাবা মী অমবু লায়েংশঙদা পুবিবগী মহুত্তা মখোয়বু লক্লবীবগুম তৌবী। দ্রগ চারিবা, কাপ্লিবা মখোয়সু করিগী তোক্লিংলম্মোই অদুবু তোকপা মতমদা অৱাবা চৈথেং ময়াম অদু থেংনবগীদমক হঞ্জিন হঞ্জিন ফৎত্রবা থবক অসি মখা তানা চত্থরক্লিবনি। মসিদা মখোয়বু মী নত্তবা মীৎয়েং য়েংবীগনু। মখোয়বু থেংনবীরবদি ইচিন ইনাওশিংনা মখোয়বু নুংশিবীয়ু অমদি মখোয়বু তোক্লবগী লম্বীদা চিংশিনবীয়ু অমদি পুশিনবীয়ু। ইরমদম অসিগী মমা ওইবী কয়া অমা মীৎলু পিরাং কংদনা লৈরি, মচা শেৎন খাইনবা কয়া অমগী তেংথাখোলনা নিল্লে ইরমদম অসি ইচে-ইচন কয়া অমা নৌনা লুখ্রা শীংদা চনখ্রে অমদি নুপী কয়াগী পুন্সি মপুরোয়বনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবনা মরম ওইদুনা ওৎপা-নৈবা তৌবদগী থৱায় কয়া পিখম্নখ্রে। অমুক্তদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরিবা ইচিল ইনাওশিং অসিবু কন্ননবা ফিরেপ লৌবা মতম ওইদ্রিবরা..., ঙসি ঙসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্না পীরিবা চৈথেং অসিদগী হেন্না শাথীবা ঐখোয়গী পুৱারীদা লৈত্রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।